১৩শুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# লকি ষ্টার অচানবীগৈ অমসুং ক্যামগৈ এফ সী সেমী ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস): অৱাং খুনৌ য়ুথ দিভ্লপমেন্ট এসোসিএসন (এ ৱাই দি এ) না শিন্দুনা ফেব্রুৱারী ১৮দগী হৌদুনা অৱাং খুনৌ ময়ায় লৈকায়গী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্লদুনা লকি ষ্টার অচানবীগৈ অমসুং ক্যামগৈ এফ সী সেমী ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না শরুক য়ারগা গ্রুপ মরি থোক্না খাইদোক্লগা পাঙথোকপা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ঙসি ঙাইরাংবম এফ সী অমসুং লকি ষ্টার অচানবীগৈ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। মেচ হেক হৌবগী অহানবা মিনিটতা লকি ষ্টার অচানবীগৈগী জর্সি নম্বর ২ ৱাই জেমসনা গোল অমা চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। জেমসনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু লকি ষ্টার অচানবীগৈনা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাবদা নত্তনা মায় পাকপগী লন্মীদা চঙশিনবা হৌখি। অদুবু মেচকী অহুমশুবা মিনিটতা ঙাইরাংবম এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৫ দব্লিয়ু দিঙ্কুনা গোল অমা চল্লগা লকি ষ্টার অচানবীগৈগী গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুংদা টিম অনীমক্না মখা তানা অহেনবা গোল চন্ননবগীদমক অকনবা এটেক চথনরকখি। অহানবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্নখিদে। অদুবু অহানবা হাফকী লোইরমদাই মেচকী ২৩শুবা মিনিটতা লকি ষ্টার অচানবীগৈগী জর্সি নম্বর ১৫ কে ঐচ সুরজিৎনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। সুরজিৎনা চনখিবা গোল অদুনা অমুক হন্না লকি ষ্টার অচানবীগৈনা মাঙজিল থারগা চৎপা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা লকি ষ্টার অচানবীগৈগী অনীশুবা গোল অদু ঙাইরাংবম এফ সীনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

লকি ষ্টার অচানবীগৈনা অহানবা হাফকী লোইরমদাইদগী মাঙজিল থারক্লিবা গোল অদু হন্দোক্নবা অনীশুবা হাফতা ঙাইরাংবম এফ সীগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনখি। ঙাইরাংবম এফ সীগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লনবা চথুরকখিবা এটেকশিং অদু লকি ষ্টার অচানবীগৈনা নিংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নরকখি। মেচকী ৪৪শুবা মিনিটতা লকি ষ্টার অচানবীগৈগী জর্সি নম্বর ৩ এল অজিৎকুমারনা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। ঙাইরাংবম এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা চোকথবা নাইদনা লকি ষ্টারনা মাঙজিল থারিবা গোলশিং অদু হন্দোক্নবা হনবা লৈতনা হোৎনরকখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা লকি ষ্টারনা মাঙজিল থারিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা ঙাইরাংবম এফ সী মায়থীহৌখি। অদুগা লকি ষ্টার অচানবীগৈনা মেচ অদু গোল ৩-১দা মায় পাক্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতনা ঙসি বি এফ সী অৱাং খুনৌ অমসুং ক্যামগৈ এফ সী শান্নখি। মেচ অদু হৌরকপদা টিম অনীমক্না লম্বা চানা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাক্লবা মতুং মেচকী ১৮শুবা মিনিটতা বি এফ সী অৱাং খুনৌগী জর্সি নম্বর ৮ এস উমাকান্তনা গোল অমা চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। উমাকান্তনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু বি এফ সীনা মাঙজিল থারগা চৎখি। মিনিট ৫ কান্নরগা মেচকী ২৩শুবা মিনিটতা অমুক বি এফ সী অৱাং খুনৌগী জর্সি নম্বর থ্রি টি ঐচ নোরেন্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। গোলশিং অদু অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা ক্যামগৈ এফ সীগী মায়কৈদগী হন্দোকপা ঙমখিদবনা বি এফ সী অৱাং খুনৌনা গোল ২-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অহানবা হাফতা বি এফ সীনা গোল অনী মাঙজিল থাদুনা লাকখ্রবসু অনীশুবা হাফতদি মেচ অদুগী অওনবা মতৌ উখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা ক্যামগৈ এফ সীগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৩৩শুবা মিনিটতা ক্যামগৈ এফ সীগী জর্সি নম্বর ২১ সী ঐচ বিপিন্না গোল অমা চল্লগা বি এফ সী অৱাং খুনৌগী অহানবা গোল হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-২দা লৈহনখি। মিনিট ৪খক কান্নরগা মেচকী ৩৭শুবা মিনিটতা অমুক ক্যামগৈ এফ সীগী জর্সি নম্বর ৮ টি ঐচ কিরন্না গোল অমা চল্লগা বি এফ সী অৱাং খুনৌগী অনীশুবা গোল অদুসু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ২-২দা ইক্বেলাইজ তৌখি।

গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুংদা ক্যামগৈ এফ সীগী মায়কৈদগী মখা তাবা গোলশিং চন্নবা অকনবা এটেক কয়া চথুরকখি। মেচকী ৩৮শুবা মিনিটতা অমুক ক্যামগৈ এফ সীগী জর্সি নম্বর ১২ টি ঐচ রঞ্জন্না মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। রঞ্জন্না চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু ক্যামগৈ এফ সীনা অনীশুবা হাফতা মাঙজিল থারকখি। মেচকী ৪০শুবা মিনিটতা অমুক ক্যামগৈ এফ সীগী জর্সি নম্বর ২২ এ প্রদিপকুমারনা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৪-২দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ইঞ্জুরি টাইম হায়বদি ৫০ প্লস ৱান চৎপা মতমদা ক্যামগৈ এফ সীগী জর্সি নম্বর ২৪ এল মিলঞ্জন্না মহাক্কী টিমগী মঙাশুবা গোল চনখি। অনীশুবা হাফতা ক্যামগৈ এফ সীগী মায়কৈদগী মনম-মনম চনশিল্লকখিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা বি এফ সী অৱাং খুনৌ ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা মায়থীহৌখি। অনীশুবা হাফতা চনখিবা গোল মঙা অদুনা ক্যামগৈ এফ সীনা মেচ অদু গোল ৫-২দা মায় পাক্লগা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অনীশুবা টিম ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিং হয়েং শান্নরগনি। অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতনা খা সঞ্জেনবম এফ সী অমসুং ইঙোবী এফ সী লোইতাং শান্নগনি। অদুগা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতনা এম এফ এস সী হৈঙাং অমসুং হেমন্তা এফ সী চজিং শান্নরগনি।

২শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# পি ৱাই ৱাই দি এ অমসুং এল এস আই সী-এ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) : লমলাই ষ্টুদেন্ট আইদিএল ক্লব (এল এস আই সী) না স্পোন্সর তৌদুনা এফ সী লমলাইনা শিন্দুনা এল এস আই সীগী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা পি ৱাই ৱাই দি এ পাঙ্গৈ অমসুং এল এস আই সী-এ লমলাই মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা গ্রুপ মরি থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মরিশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী এস টি টি সেক্তা অমসুং পি ৱাই ৱাই দি এ পাঙ্গৈ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ হেক হৌরকপগী মেচকী ৫শুবা মিনিটতা পি ৱাই ৱাই দি এ পাঙ্গৈগী জর্সি নম্বর ১৩ এন সুসিলনা গোল অমা চনখি। এন সুসিলনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু পি ৱাই ৱাই দি এনা মেচ অদু য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থারগা চৎপা ঙমখি। গোল অদু হন্দোক্লনবা এস টি টিগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা গোল অদু এস টি টিগী মায়কৈদগী হন্দোকপা ঙমখিদবনা পি ৱাই ৱাই দি এনা গোল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অহানবা হাফতগী হৌনা মাঙজিল থারক্লবসু পি ৱাই ৱাই দি এনা অনীশুবা হাফ হেক হৌবদগী অহেনবা গোল চনবা এটেক চথুরকখি। মেচকী ২১শুবা মিনিটতা এন সুসিলনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চল্লগা মেচ অদু পি ৱাই ৱাই দি এনা গোল ২-০দা মাঙজিল থাহনখি। গোলশিং অদু হন্দোক্লবগীদমক এস টি টি সেক্তাগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ৩৫শুবা মিনিটতা এস টি টি সেক্তাগী জর্সি নম্বর ১১ এস ভিম্না গোল অমা চল্লগা পি ৱাই ৱাই দি এগী অহানবা গোল হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-২দা লৈহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা পি ৱাই ৱাই দি এগী অনীশুবা গোল হন্দোকপা ঙমদনা এস টি টি সেক্তা মায়থীহৌখি। সুনিলনা চনখিবা গোল অনী অদুনা মেচ অদু পি ৱাই ৱাই দি এনা গোল ২-১দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী এল এস আই সী-এ অমসুং বি এস য়ু ককচীং শান্নখি। মেচ অদু এল এস আই সী-এ লমলাইনা লাকচরপ তৌনা শান্নখিবগা লোয়ননা বি এস য়ু ককচীংবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখি। এল এস আই সী-এ লমলাইগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু জর্সি নম্বর ৭ কে ঐচ অনাসনা মেচকী ১২শুবা অমসুং ২০শুবা মিনিটতা চনখি।

তরুকশুবা টি -২০ মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮

# নাপসা খা ইম্ফালনা রন ১৬তা মায় পাকখ্রে, ভোগেন্দ্রোনা মেন ওফ দি মেচ তাখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট এসোসি-এসন্না শিন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রেগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা তরুকশুবা টি -২০ মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা নাপসা খা ইম্ফালনা রন ১৬তা মায় পাকখ্রে। নাপসাগী ভোগেন্দ্রোনা মেন ওফ দি মেচ তাখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮না শরুক য়ারগা গ্রুপ অনী থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ৬শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮গী তরেৎশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১ তাবদগী সী সী সী চজিং অমসুং নাপসা খা ইম্ফাল শান্নখি। মেচ অদু নাপসা খা ইম্ফালনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা নাপসা খা ইম্ফালনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৪৮ লৌখি। নাপসাগী ভোগেন্দ্রোনা বোল ৫৯দা রন ৮৯ অমসুং কেসোরজিৎনা বোল ১৩দা রন ১৫ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সী সী সী চজিংনা মেচ অদু মায় পাক্ল বগীদমক রন ১৪৯ লৌবা মথৌ তারবসু ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৩৩ খক লৌদুনা মেচ অদু মায়থীহৌখি। অদুগা নাপসানা রন ১৬তা মায় পাকখিবনি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা সী সী সী চজিংগী রাকেসনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট অনী লৌখি অদুগা কৃষ্ণ, ইকবাল অমসুং শামুনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা নাপসা খা ইম্ফালগী ভোগেন্দ্রো অমসুং রতনকুমারনা ওভর ৪/৪ লংবদা ৱিকেট ২/2 লৌখি। অদুগা হিমট, মহেশ অমসুং কিশ্বরজিৎনা ৱিকেট অমমম লৌখি। বোল ৫৯দা রন ৮৯ লৌবদা নত্তনা ৱিকেট অনীসু লৌরগা মেচ অদু মায় পাকহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা নাপসা খা ইম্ফালগী ভোগেন্দ্রোনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

তরুকশুবা টি -২০ মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ৮শুবা মেচ ওইনা হয়েং মোদেল ক্লব-বি চীংঙামখা অমসুং কে এস সী ওল্ড লম্বুলেন শান্নরগনি।

মরিশুবা এম সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮

# ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা ৱাই দব্লিয়ু সী ৱাংখেম্বু ৱিকেট তরেৎতা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) না শিল্লগা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা মরিশুবা এম সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা ৱাই দব্লিয়ু সী ৱাংখেম্বু ৱিকেট তরেৎতা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২১না শরুক য়াদুনা গ্রুপ মরি থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা মরিশুবা এম সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী তরামাথোইশুবা মেচ ওইনা ঙসি ৱাই দব্লিয়ু সী ৱাংখেম অমসুং ঈ এস য়ু ৱাংখৈ শান্নখি। মেচ অদু দব্লিউৱাই সী ৱাংখেম্না টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং হান্না তৌখিবা দব্লিয়ু ৱাই সীনা ওভর ২৬.২দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ১০০ লৌখি। দব্লিয়ু ৱাই সীগী দব্লিয়ু শমুঙৌনা বোল ৭৫দা রন ৪১ অমসুং কমল প্রীটনা বোল ৩০দা রন ২২ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ঈ এস য়ুনা ওভর ১৯.১দা ৱিকেট অমখক তুরগা রন ১০১ লৌদুনা মেচ অদু ৱিকেট তরেৎতা মায় পাকখিবনি। ঈ এস য়ুগী সঙ্করনা বোল ৩০দা রন ৩১, বোবিনা বোল ২৮দা রন ১৬, মিহুলনা বোল ২২দা রন ১৫ অমসুং রোবার্টসন্না বোল ২৭তা রন ১৪ লৌখি। ঈ এস য়ুগী সঙ্করনা ওভর তরেৎ লংবদা ৱিকেট মরি, চিত্তরঞ্জন্না ওভর মঙা লংবদা ৱিকেট অনী, হেরোজিৎনা ওভর অহুম লংবদা ৱিকেট অনী অমসুং মিহুলনা ওভর ৩.২ লংবদা ৱিকেট অমা লৌখিবনা মেচ অদু মায় পাকপদা মতেং ওইহনখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা দব্লিয়ু ৱাই সীগী লক্ষমন্না ওভর মরি লংবদা ৱিকেট অনী অমসুং তোম্বনা ওভর অনী লংবদা ৱিকেট অনী লৌখি। মেচ অদুদা ওভর তরেৎ লংবদা ৱিকেট মরি লৌদুনা মহাক্কী টিম্বু মায় পাকহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ঈ এস য়ু ৱাংখৈগী সঙ্করনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

মরিশুবা প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮ অসিগী ১২শুবা মেচ ওইনা হয়েং টি সী এম দি সী থোংজু অমসুং আই বি এস এ য়ুম্নাম লৈকায় শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা মেচতা অল অমিন লিলোংনা সী আর এ য়ুবু ৱিকেট নিপান্দা মায়থীবা পীখিবনি।

মল্টিপরপজ হোল অনী অমসুং অর্চরিগী পেবিলিয়ন অমা স্পোর্টস মিনিষ্টরনা শঙ্গাখ্রে

# স্পোর্টস, হেলথ অমসুং এদ্যুকেসন সেক্তরদি মতম পূম্নমক্তা পোলিটিক্স ফ্রী ওইনা লৈহনগদবনি : লেটপাও হাওকিপ



ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস): বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসি লৈরকপা চহী অমা মপূং ফারকপা থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শান্ন-খোৎনবগা মরী লৈননা শেমগৎ শাগৎখিবা মল্টিপরপজ হোল অনী অমসুং অর্চরিগী পেবিলিয়ন অমা শঙ্গাখ্রে।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী মনুং চন্না লৈবা রিখুমাই তাফৌদা নৌনা শাখিবা মল্টিপরপজ হোল স্পোর্টস মিনিষ্টরনা হোল স্পোর্টস মিনিষ্টরনা হায়খি, স্পোর্টস, হেলথ অমসুং এদ্যুকেসন সেক্তরদি মতম পূম্নমক্তা পোলিটিক্স ফ্রী ওইনা লৈহনগদবনি। পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাফমদা খেন্নবা কয়া লৈরবসু ষ্টেট অসিগী লৈরিবা শান্ন-খোৎনবগী ফীভম অসিদি হেন্না ফগৎহন্নবা ঐখোয় খুদিংমক্না হোৎনমিন্নসি। শান্ন-খোৎনবা হায়বসি মীওইবগী পুন্সিদা য়াম্না মরু ওইবা অমনি হায়না লৌসি। মসিনা থকসি-খাসি লৈহনবদা নত্তনা মশা মউ ফনা লৈহনবদসু মতেং ওইরিবনি।

নৌনা শঙ্গাখ্রবা মল্টিপরপজ হোল অদুগী ফীভম য়েংলদুনা মিনিষ্টরনা হোল অদুবু নীংথিনা শেমগৎ শাগৎপদা মতেং পাঙখিবা সেনাপতিগী মীয়াম্বুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। থৌরমদুদা ট্রাইবেল দিভলপমেন্ট অমসুং ফিসরিজ মিনিষ্টর এন কাইসি অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দি সী এ মুইভাসু শরুক য়াখি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা রিখুমাই তাফৌদা মল্টিপরপজ হোল অমা শঙ্গাখিবা থৌরম অসিগী মাঙওইননা য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা নৌনা শাগৎখিবা মল্টিপরপজ ইন্দোর হোল অমসুং অর্চরিগী পেবিলিয়ন অমসু ঙসি শঙ্গাখি। খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা মল্টিপরপজ হোল অমসুং অর্চরিগী পেবিলিয়ন হোল শঙ্গাখিবা থৌরম অদুদা য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর এন প্রবিনসু শরুক য়াখি। তোঙান তোঙানবা মল্টিপরপজ হোল অনী অমসুং অর্চরিগী পেবিলিয়ন অসিগী কান্নবশিং মপূং ফানা লৌনবগীদমক মফমশিং অসিবু শীজিন্নগদৌরিবা খুদিংমক্নসু মশা মশাগীনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা খল্লগা লূ-নান্না নীংথিনা শীজিহন্নীংবগী অপান্বসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী রিখুমাই তাফৌদা ঙসি শঙ্গাখিবা মল্টিপরপজ ইন্দোর হোল অসি অর্বান স্পোর্টস ইন্‌ফ্রাষ্ট্রকচর স্কিমগী মখাদা লুপা ক্রোর ৫.৯৯ চঙনা শেমগৎ শাগৎখিবনি। খুমন লম্পাক্তা শঙ্গাখিবা মল্টিপরপজ হোল অদুনা ১৩শুবা ফাইনান্স কমিস্যনগী মখাদা লুপা ক্রোর ৫.৫৩ চঙনা শেমগৎ শাগৎখিবনি। অদুগা অর্চরিগী পেবিলিয়ন অদুনা ১৩শুবা ফাইনান্স কমিস্যনগী মখাদা লুপা লাক্ষ ৭২.১৫ চঙনা শেমগৎ শাগৎখিবনি হায়রি।

# মাইবম চীংখৈঙানববু ইন্দিয়ন স্পোর্ট ক্লাইম্বিং টিমগী সেলেক্সন কেম্পতা শরুক য়ানবা খল্লক্লে



ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) : ইন্দোনেসিয়াগী জকারটা অমসুং পালেমবাংদা চহী অসিগী ওগষ্ট ১৮দগী সেপ্তেম্বর ২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ন স্পোর্ট ক্লাইম্বিং টিমগী শান্নরোয়শিং খন্নবগী পাঙথোক্কদৌ-রিবা সেলেক্সন কেম্পতা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরদগী মাইবম চীংখৈঙানববু ইন্দিয়ন মাউন্টেনিয়ারিং ফাউন্দেসন, ন্যু দেল্লিনা খল্লক্লে।

ইন্দোরদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ২৩শুবা নেসনল স্পোর্ট ক্লাইম্বিং কম্পিটিসন্দা চীংখৈঙানবনা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুদা য়ূস্ফম ওইরগা মহাকপু লাক্লিবা এপ্রিল ৭তগী ৯ ফাওবা ইন্দিয়ন মাউন্টেনিয়ারিং ফাউন্দেসন (আই এম এফ) কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন স্পোর্ট ক্লাইম্বিং টিমগী সেলেক্সন কেম্পতা শরুক য়ানবা খল্লকখিবনি। কেম্প অসিদা শরুক য়ানবা নুপা অমসুং নুপী ক্লাইম্বর ১৪ খনগৎপদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদগী চীংখৈঙানবখক্তং খল্লকখিবনি। মাইবম চীংখৈঙানবা থঙ্গাল বজারদগী মাইবম কুবিহৈবগী মচানুপানি। মহাক হৌজিক হৌজিক কাঞ্চিপুরদা লৈবা ন্যু লাইভ স্কুলদা ক্লাস এলেভেন তম্লি। মহাক এসিয়ন য়ুথ চেম্পিয়নশিপ ২০১৫দা গোল্ড মেদল অমসুং হন্দক্তা শিঙ্গাপুরদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন য়ুথ চেম্পিয়নশিপ ২০১৭তসু গোল্ড লৌখিবনি।



HL-B/4352/19/1-18-2

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com